C. S. (Main) Exam : 2012

Sl. No. **E–DTN–M–JMD–12**

# MANIPURI

**( Compulsory )**

| Time Allowed : Three Hours | Maximum Marks : 300 |
|---|---|

## INSTRUCTIONS

**Candidates should attempt ALL questions.**

**The number of marks carried by each question is indicated at the end of the question.**

**Answers must be written in Manipuri (Bengali Script), unless otherwise directed.**

**Prescribed word limit must be followed for Question No. 3. The précis must be attempted *only* on the special précis sheets provided separately. These précis sheets are to be securely attached to the answer-book.**

**Important Note**

**Whenever a question is being attempted, all its parts/sub-parts must be attempted contiguously. This means that before moving on to the next question to be attempted, candidates must finish attempting all parts/sub-parts of the previous question attempted. This is to be strictly followed.**

**Pages left blank in the answer-book are to be clearly struck out in ink. Any answers that follow pages left blank may not be given credit.**

**1.** মখাদা পীরিবশিং অসিদগী অমগী মরমদা ৱাহৈ ৩০০ (চহুম)গী এসে (Essay) অমা ইয়ু : 100

*(a)* ভারত—ললোল ইতিক্কী চাউখৎলকলিবা মফম অমা ওইনা

*(b)* নুপীশিংগীদমক্তা মেট্রোপোলিটান সিটিশিংসি (Metropolitan cities) কয়াম্না খুদোংচাবা ওইবগে ?

(c) ঙাকপি শেনবিবা অমসুং য়েংশিন-খোৎচিনবিবা লমলক্কী শা-উচেকশিংবু

(d) শিনফমগী ওইবা মহৈ ভারতা (Vocational Education in India)

(e) ভাবনা শাবা ফিলমগী জগৎ (The mythical world of films)

**2.** মখাদা পীরিবা পেসেজ (Passage) অসি নিংথিনা পারগা পীরিবা ৱাহংশিংগী পাউখুমশিং অদু চুম্না অমসুং তেল্লপা মওংদা ইরকউ : 10×6=60

অয়াম্বা অপাবশিংনা ঙহাক ঙহাক্কী ওইবা নুংঙাইবা অমসুং পোৎথানবা ওইবা লাইরিক পায়। ৱাহৈ অমরোমদা মখোয়না মতম লেন্নবা লাইরিক পায়। মতম, অসি কুপ্না য়েংশিল্লবদি য়াম্না মমল য়াম্বা লনগৈ অমনি। ললগৈসি অয়াম্বা অপাবশিংনা অরেম্বদা শেল তিংথোকপা, থাজনিংঙাই ওইদবা ওইনা ঙাংবশিংদা, মতম্না মখোয়বু অৱাবা পী। অদুগা লাইরিকশিং অদুদা করিগুম্বা খরা নাম্বোক্লবা উপায় ফংলবা লাইরিকশিং, অদু মখোয়না পায়। মসিনা মরম ওইদুনা মখোয়না করিগুম্বা অমত্তা পাবা ঙমদে। মখোয়না পারবদি, মখোয়না পাবদগী করিগুম্বা খরাদি পুরক্কনি; অমসুং মখোয়না পাবাগী খুদম অমত্তা ফংদে। মখোয়না পারবদি মখোয়দা খরদি ইথিন পীগনি। তৌইগুম্বসুং, মদুনা পীরিবা ইথিন অদু মখোয়না শিংথারুদে। করিগুম্বা ইথিন পীবদা, ইথিন অদুনা কান্নবা য়াই নত্রগা পূক্লিং চপ য়ুংবা য়াই, ঐখোয়না হায়বা ঙমদে। খুদমদি মখোয়না জ্ঞান তানা করি অমত্তা খঙলক্তবা অমসুং মখোয়না পাবদুগী হায়বা ঙমদবা ওই।

(a) অইবনা করিগীদমক্তা অয়াম্বা মীওইশিংনা করম্না লাইরিক পায় হায়বগে ?

(b) অইবনা করিগীদমক্তা অপাবশিংনা মতমগী মরুওইবা খনদে হায়না ফাওরিবনো ?

(c) অপাবশিংগী মতম নিংথিনা শিজিন্নদবগী খুদম করিনা তাকপগে ?

(d) অইবনা অপাবশিংদগী মখোয়না পাবা লোইবা মতমদা করি পান্নগে ?

(e) অইবনা স্তান তানা পাদবশিংবু করিগী হন্থনা য়েংবগে ?

(f) করম্না মখলগী অপাববু অইবনা লৈবা পান্নগে ?

**3.** মখাদা পীরিবা ৱারেং অসিগী অহুম থোকপাদা প্রেসিজ (one-third of the length of the passage) অমা ইরকউ। ৱাহৈ অকক্লবা পীরিবা অসি হেন্দোকপদা মার্ক ফংবগী মশিং হন্থগনি। প্রিসিজদু তোঙানবা প্রিসিজ ইনবা চেদা (Précis sheets) ইগদবনি, অদুগা লোয়ননা নিংথিনা পাউখুম চেগী মনুংদা (Answer-book) ফাজনগদবনি : 60

ঈশিং খ্বাইদগী লায়না অমসুং পাক-চাউনা ফংবা পৃথিবীদা ফংবা পোৎনি। মসিনা ৭০% (70%) (চামদা হুমদ্রা)দি পৃথিবীগী লৈমায়গী এরিয়াদনি। অপূনবা পৃথিবীগী ঈশিংগী শরুক লিশিং ১·৩৮৬ বিলিয়ন কিয়ু. কে. এম. (1·386 billion cu. km.) মনুংদা চাওরাক্লা ৯৭% (97%)না থুমহি চেনবা ঈশিং অমসুং শিজিন্নবা য়াদবনি। লেমহৌরিবা শুপ্নগী শরুক অহুম্না (ফ্রেস ৱাটর) থুমহি চেন্দবা ঈশিংনি। তৌইগুম্বসুং থুমহি চেন্দবা ঈশিংগী শরুক ৬৮·৫% (68·5%), উনগী শরুক্লা কুপ্পা চীংদোন, উনপাক অমসুং মতম চুপ্পদা লৈরবা উন অমসুং মসিনা মরম ওইদুনা মীওইবদা ঈশিং ফংহনদে। থুমহি চেন্দবা (ফ্রেস ৱাটর) ঈশিংগী ৩০% (30%)না লৈনুংগী ঈশিংনি অদুগা ০·৯% (0·9%) ঈশিংগী শরুক্লা লৈমায়গী ঈশিং—তুরেলশিং, খোঙশিং অমসুং পাৎশিংনি। ঐখোয়না মরুওইনা তুরেলশিং, খোঙশিং (streams)

অমসুং পাৎশিংদগী লাকপা থুমহি চেন্দবা (fresh water) ঈশিং মওং ৭০ কিয়ু. কে. এম. (70 cu. km.) নুমিৎ খূদিংগী লৈনুংগী রিজারভর (reservoirs) ফাওনা চেন্থবদগী মতেং লোই। অসুম্না ঈশিং পীবসি চহি লিশিং কয়ামরুম চৎথরকলি। তৌইগুম্বসুং দিমান্দ অসি য়াম্না থুনা হেনগৎলকলি। মরুওইনা চহি দিকেদ খরাদদি য়ুমগী শিজিন্নবা, লৌউশিংউগী অমসুং উদ্যোক্কী থৌরমশিং হেনগৎলকপনা মরম ওইদুনা শোক ১৯৪০ (1940)দা পৃথিবীগী মীওইবগী মশিং বিলিয়ন অনি ওইরম্মী, চহিগী মীশিং শিজিন্নবা ঈশিং চাং ১০০০ কিয়ু. মি. (1000 cu. m.) য়ৌদে। শোক ২০০০ (2000)দদি মীশিং (population) ৬তা বিলিয়ন (6 billion)নি অমসুং চহিগী মীশিংগী ঈশিং চাকথুং লিশিং তরুক (লিশিং ৬০০০ কিয়ু. মি.)নি। ফ্রেস ৱাটর রিসোর্সশিংদা মরুওইনা নৈনরগা য়াম্না কুংনা মীয়াম তাবা মফমশিংদা ঈশিং ৱাৎলি। লৌউশিংউবদা ৭০% (70%) অমসুং উদ্যোগ তনা ২২% (22%) অমসুং য়ুম-কৈ লমদা ৮% (8%) ফ্রেস ৱাটর শিজিন্নৈ। অফবা ঈশিং য়াম্না তাংনা ফংলকপনা মরম ওইদুনা পৃথিবীগী মীয়াম্না য়াম্না কন্না তান্নরি, ফ্রেস ৱাটর হেনগৎনবা হোৎনরী। অফংবা ফ্রেস ৱাটর তঙ্খাই অমরোমদি চহি খূদিংগী হান্না শিজিন্নরে। শোক ২০৫০ (2050)দদি মীশিং হেনগৎলকপা অমসুং চাকথুং য়ামখৎলকপনা ৭৪% (74%)দা হেনগৎলক্কনি। মফম খূদিংদা শিজিন্নরিবা অমেরিকানগী চাংচত্তা, খ্বাইদগী হেন্না ঈশিং শিজিন্নবা, শিজিন্নবগী চাংচৎতা ৯০% (90%) ওইগনি।

খ্বাইদগী খঙজিনবা য়াবা মওংগী ফ্রেস ৱাটর পীবগী মওংসি চাং মান্ননা য়েনবিদে পৃথিবীগী মফম খূদিংদা। লৈবাক খরদনা ঈশিং মরাং কাইনা অমসুং ঈশিং মরাং কায়না ফংদবা লৈবাকশিংদা চহিগী ঈশিংগী চাকথুংসি মিলিয়ন ১০৭৬৭ কিয়ু. মি. গ্রীনলেন (Greenland) অমসুং কুৱেৎ তা ১০ কিয়ু. মি. নি, ভারতনা শোক ১৯৫১দা চহিগী ঈশিং অফংবসি ৫১৭৭ কিয়ু. মি. (5177 cu. m.)।

মসি শোক ২০০১দা কিয়ু. মি. ১৮২০দা হন্থরকই অতৈ ঈশিং য়াম্না ফংদবা লৈবাক্কী থাক্তা হন্থরকই। শোক ২০২৫দদি মীশিংদা ফংগদৌবসি ১৩৪০ কিয়ু. মি. (1340 cu. m.)নি।

অয়াম্বা পৃথিবীগী অচৌবা তুরেলশিং অমসুং ঈরোংশিংসি লৈবাক অমদগী হেন্না ফাওদুনা চেঞ্ছে। খুদম ওইনা হায়রবদা, গঙ্গাতুরেল অমসুং মসিগী ঈরোংশিংসি নেপাল, ইন্দিয়া অমসুং বাংলাদেশ অমসুং ইন্দস অমসুং মসিগী ঈরোংশিংসি ভারত অমসুং পাকিস্থান ফাওনা চেঞ্ছে। দানুব (Danube)না জর্মনি (Germany)দগী হৌরগা অষ্ট্রিয়া (Austria), স্লোভাকিয়া (Slovakia), হঙ্গারী (Hungary), ক্রোসিয়া (Croatia), সর্বিয়া (Serbia), রোমানিয়া (Romania), বলগেরিয়া (Bulgaria), মোলদাভিয়া (Moldavia) অমসুং উক্রাইন (Ukraine) ফাওনা চেঞ্ছে। জামবেজিনা জামবিয়া (Zambia), এঙ্গোলা (Angola), নামিবিয়া (Namibia), বোট্সৱানা (Botswana), জিমবাবোৱে (Zimbabwe) অমসুং মোজামবিক (Mozambique) ফাওনা চেল্লি। দি নাইল (The Nile) হায়রিবা ইজিপশিংগী মরুওইবা তুরেল অসিসু মসিগী হৌরকফম লৈবাক নিপান—সুদান (Sudan), ইথোপিয়া, কেনিয়া, রেৱানদা, বুরুনদি, উগনদা, তানজানিয়া অমসুং জায়র (Zaire)নি। তুরেল অমনা লৈবাক অমদগী হেন্না ফাওখিবদা ষ্টেটশিংগী মনুংদা ঈশিংগী চাকথুং মরমদা ষ্টেটশিংগী মনুংদা খৎন-নৈনবা থোকই। অসিগুম্বা য়েৎনবশিং নত্রগা খৎন চৈনসি খৃঃ ৩০০০ (3000 BC) মখাথংবা অমসুং ময়ায়গী এসিয়া, ময়ায় থংবা ইউরোপ অমসুং মিদল ইষ্ট (Middle East)তা ওইখি। লৌউশিংউবদা ঈশিং য়াম্না দিমান্দ হেনগৎলকপনা, ইন্দষ্ট্রি অমসুং য়ুমগী শিজিন্ননবা, য়েৎনবা ময়ামশিং অসিনা য়াম্না শোকচিনবা/হকচিনবা চাংদা অমসুং করিগুম্বদা খৎনবগী মওংদা ওইরকই।

ঈশিং য়েন্নবসি লৈবাক অমগী মনুংদা লৈবা তুরেলশিংসু লৈকাইগী ওইবা অমসুং লম-লমগী (regional levels) মায়কৈদসু খৎন-চৈনবা ওই। গৌতম বুদ্ধানা (Gautam Buddha, 563–483 BC) শাকিয়া অমসুং কৌটিয়াগী (Shakyas and Kotiyas) রোহিণী তুরেনগী ঈশিং য়েন্নবদা ৱায়েনবিবা তারম্মী।

**4.** মখাদা পীরিবা ৱারেং মতেক অসি মণিপুরীদা হন্দোরকউ (Translate) : 20

I remember my father starting his day at 4 a.m. by reading the namaz before dawn. After the namaz, he used to walk down to a small coconut grove we owned, about 4 miles from our home. He would return, with about a dozen coconuts tied together thrown over his shoulder, and only then would he have his breakfast. This remained his routine even when he was in his late sixties.

I have throughout my life tried to emulate my father in my own world of science and technology. I have endeavoured to understand the fundamental truths revealed to me by my father, and feel convinced that there exists a divine power that can lift one up from confusion, misery, melancholy and failure, and guide one to one's true place. And once an individual severs his emotional and physical bondage, he is on the road to freedom, happiness and peace of mind.

**5.** মখাদা পীরিবা পেসেজ অসি ইংরাজিদা ট্রান্সলেসন তৌ (Translate) : 20

হোসপিতাল হৌদোরকপসি মতম কয়াগী মমাংদগী খৃষ্টান যুগ (Christian era)না গ্রিস, ইজিপ অমসুং ইন্দিয়াদা (Greece, Egypt and India) লাওথোক্লিঙৈদগী হৌদোরকলে।

হৌজিক অচৌ-অচৌবা মীয়ামগী ওইবা হোসপিতাল কয়ামুক পৃথিবীগী লৈবাক কয়াদা লৈরে, মখল মখল লাইনাশিং অমসুং মখল-মখাগী ট্রেনিং অমসুং রিসার্সকী শিল্লাংবা; অমসুং অপিকপা (সংলেন) ইন্টিটিউদ ময়াম অমসু, মখোয় অয়াম্বনা অখন্নবা লায়েংবগী ওইবা, নত্রগা নুপিশিং অমসুং অঙাংশিংগী লায়েংনবা। ইউনাইতেদ কিংদম (UK) অমসুং ইউনাইতেদ ষ্টেটশিংদদি হোসপিতালশিংসি শেলগী তেংবাং পীদুনা (subsidized) ষ্টেট নত্রগা ম্যুনিসিপালিতিশিংনা চলাইরম্মী। মেথোদ অসিনা থবক্কী থিন্থহন্দবা অমসুং শেল-থুমগী খুদোংথিহন্দবা কয়া, অসিদসু নত্তনা অপূনবা মীয়ামগী খুদোংচানবা নিয়ম শেম্বা ঙমহনবা লোয়ননা শেল-থুমগী চাওখৎনবা পী। তৌইগুম্বসুং মসিনা তলহন্দবা, মেচিনগী, থৱায় হিংনবা শিনবা, থবক য়ামহন্দবা, য়াম্না চাওনা য়েৎনবা য়াওহন্দবা অমসুং অরেম্বদা শেল তিংহনদে।

**6.** *(a)* মখাদা পীরিবা ৱাহৈ কাঙলুপশিং অসিগী অর্থ পীরগা ৱাহৈ-পরেং অমমম শেম্মু : 3×5=15

ঙক কনবা ; মায়কৈ ঙাকপা ; মায় ঙাকপা ; সনা-ঈ ; নোংবান।

*(b)* মখাগী ৱাহৈশিং অসি চৎনবী থৌগল্লোন ৱাহৈনা মহুৎ শিল্লু : 1×6=6

অনাবা ; য়াথং ; লাকপা ; চাবা ; য়েংবা ; চৎথোকপা।

*(c)* মখাগী ৰাহৈ-পরেংশিং অসি অর্থ পীরগা ৰাহৈ-পরেং শেম্মু (ৰাহৈ অসি হাপ্লগা) : 3×3=9

*(i)* যুমহোং তোয়রগা লায়র তাল্লি

*(ii)* লাইরেন্না লফুৎ কায়

*(iii)* পেনা শেম্মিঙৈদা শামুরৌ য়ৌই

*(d)* ভারত্তা লোনগী ফেমিলি কয়া লৈবগে (Family of languages) ? মণিপুর লোলসি করম্বা লোনগী ফেমিলিদা চনবগে ? 5+5=10

★ ★ ★